# পোনি মাঙখিবদগী কন্ননবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা অপূনবা খোঙজং মথৌ তাই : গভর্ণর নাজমা



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএন এস) ঃ

মণিপুরগী পোনি শগোল মখল অসি মফম অসিদা হিংবদা য়াম্না অৱাবা অমা মায়োক্নরি। মসিবু মাঙখিগদবদগী কন্ননবা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্না অপূনবা খোঙজং অমা চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না ঙসি ২৯শুবা গভর্ণরস কম ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং ১৮শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লোইশিনবগী নুমিৎতা ২৯শুবা গভর্ণরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্টকী ওইনা এক্স পোলো ক্লবনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি অদুগা ১৮শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদনা ইম্ফাল রেজিং ক্লবনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী থৌদাং লৌদুনা গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পোনি শিবগী অচৌবা মরমশিং অসি মরু ওইনা লম্বীদা থোকপা এক্সিদেন্ট অমসুং ফুদ পোইজনিংনা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা পৱার হাওসনি হায়না লৌনরিবা মণিপুরনা মালেমদা পোলো (শগোল কাংজৈ) মশান্না মশক খঙহনখিবনি। মরম অদুনা মফম অসিদগী হৌখিবা মশান্না অসিদা মরু ওইনা থৌদাং লৌরিবা পোনি (শগোল) শিং অসি মাঙহন্দনবা হোৎনবদা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্না খূৎশম্নবা মথৌ তাই হায়খিবনি।

ষ্টেট লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাংদা লৈবা পোনি সেঙ্কচ্যুরি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পোনি ব্রিদিং ফার্মনা অকনবা শাফু অমা পীদুনা পোনিবু মুত্তনবা হোৎনরি। গভর্ণরনা ওর্গনাইজরশিংদা গভর্ণস দিসক্রেস্নরি ফন্দগী শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাক্ষ ১ পীখি।

৭শুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি ফাইনেলগীদমক শেম শানখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএন এস) ঃ

মণিপুর ভেটরন ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভিসী এ) না শীন্দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা তরেৎশুবা এম ভিসী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমী ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি ফাইনেলগীদমক শেম শানখ্রে।



টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা তরেৎশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং নাপসা খা ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদু চেম্পনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং অদুগা নাপসানা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পল্লিনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৫ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নাপসাগী ভোগেন্দ্রোনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট২ অমসুং সাইমন অমদি গৌতমনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ১/১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নাপসানা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২৪ খক লৌদুনা মেচ অদু চেম্পনা রন ১১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি। চেম্পকী জোদিবনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ৱাই দল্লিয়ু সী অমসুং এল সী সী সী শান্নখি। মেচ অদু ৱাই দল্লিয়ু সীনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং তৌখি। ৱাই দল্লিয়ু সীনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৫২ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এল সী সী সীনা ওভর ১৮.৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ১১৭ খক লৌদুনা মেচ অদু ৱাই দল্লিয়ু সীনা রন ৩৫দা মায় পাকখি। ৱাই দল্লিয়ু সীগী সমানন্দনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ৱাই দল্লিয়ু সী অমদি চেম্প হয়েং শান্নগনি।

অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# অপূনবা এফ সী শগোলবন্দ অমদি ঙাইরাংবম এফ সী মায় পাকখ্রে, লনচেনবী এফ সী অমদি এ স্কৱার-এ পাংশোই দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচএন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাংশোই পার্ট গ্রীদা লৈবা পাংশোই টুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা অপূনবা এফ সী শগোলবন্দ অমদি ঙাইরাংবম এফ সী মায় পাকখ্রে, লনচেনবী এফ সী অমদি এ স্কৱার-এ পাংশোই দ্রো চংখ্রে ।



টিম ২১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৭ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী অপূনবা এফ সী শগোলবন্দ অমসুং পি টি সী সী-বি পাংশোই শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা অপূনবা এফ সীনা পি টি সী সী-বিবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি । মেচ অদু লোইশিল্লকপদা অপূনবা এফ সীনা পি টি সী সী-বিবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অপূনবা এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ রুপানা মেচকী ৯শুবা, জর্সি নম্বর ১১ অকানা মেচকী ৩১শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ লানসিঙমনা মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ঙাইরাংবম এফ সী অমসুং এ স্কৱার-বি পাংশোই শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্নবগীদমক অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঙাইরাংবম এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা ঙাইরাংবম এফ সীনা এ স্কৱার-বি পাংশোইবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। ঙাইরাংবম এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এম ওকেননা মেচকী ১০শুবা অমদি ১৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী অমসুং জর্সি নম্বর ১১ পিটরনা মেচকী অরোইবা মীৎকুপগী ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা এ স্কৱারগী পাঞ্জল অদুনা অপুনা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা চনখি।

লীগ রাউন্দগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা গ্রুপ ঈগী লনচেনবী এফ সী অমসুং এ স্কৱার টিম এ পাংশোই পার্টৱান শান্নখিবা মেচ অদু টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ৫-৫দা দ্রো চংখি।

২৩শুবা টি ঐচ বিরচন্দ্র-মায়পাকপী মেমোরিএল ৱিন্নরস কপ ২০১৯

# এম পি এস সীগী মখূৎতা দি এস এ সদর হিলস মায়থীহৌরবসু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচএন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা ববিনা হেলথ ক্যের এন্দ হোস্পিটেলিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা হোম অৱে বেসিসতা থা অসিগী ১৩দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২৩শুবা থাংজম বিরচন্দ্র - মায়পাকপী মেমোরিএল ৱিন্নর্স কপ ২০১৯গী মেচওইনা ঙসি দি এস এ সদর হিলস (জে এস ৱাই সী) কী কাংপোকপীদা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট এম পি এস সীগী মখূৎতা দি এস এ সদর হিলস মায়থীহৌরবসু সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।



টিম ৯না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ২৩শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মায়পাকপী মেমোরিএল ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০১৯গী মখা চথরকপা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি এস এ এম পি এস সী অমসুং দি এস এ সদর হিলস জে এস ৱাই সী শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা জে এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরবসু মমাঙদা টিম অনীনা শান্নখিবা মেচতা জে এস ৱাই সীনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা এগ্রিগেট২-০দা লৈবনা দি এস এ সদর হিলস সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# অভিনাস সাব্লেনা ইন্দিয়াগী নেসনল রেকোর্দ থুগায়খিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে



পাটিয়ালা, মার্চ ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী এথলেটিক্সতা চহী ৩৭ শুরবা গোপাল সাইনিনা থমখিবা মিটর ৩০০ গী ষ্টিপলচেজ ইভেন্টকী রেকোর্দ অদু ঙরাং অভিনাস সাব্লেনা থুগায়বা ঙমখিবগা লোয়ননা সাব্লে কর্টারগী সিটি দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

পঞ্জাবকী সিটি পটিয়ালাদা পাঙথোকপা ২৩ শুবা ফেদ্দরেসন কপ এথলেটিক্স টুর্নামেন্ট অদুদা মশাগী চহী ২৪ দা ঙাইহিবা অভিনাস সাব্লেনা ইন্দিয়াগী এথলেটিক্স পুৱারীদা অহানবা এথলিক অমা ওইনা মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলচেজ ইভেন্টতা মিনট ৮:২৯:০০ গী মখাদা চেনবা ঙম্বা অহানবা এথলিক ওইরি। সাব্লেনা ঙরাং মিনট ৮:২৮:৯৪ দা চেনখিবা টাইমিং অদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবদা নত্তনা এসিয়ন এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

সাব্লেনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না সিজন অসিগী হৌরকপদা এসিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি। সাব্লেনা মিটর ৩০০০ গী গোল্ড মেদল ফংলগা শঙ্করলাল স্বামিনা ৮:৩৪:৬৬ তা সিলভর মেদল লৌখি। লোয়ননা দুর্গা বহাদুর বুধনা ৮:৪৬:০৯ দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপাগী মিটর ৪০০ লমজেলদা অরোকিয়া রজিবনা সেকেন্দ ৪৫.৭৩ দা চেন্দুনা গোল্ড মেদল ফংবগা লোয়ননা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা মহমদ অনাজ অমসুং কুনহু মহমদনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী জিন্সন জোন্সননা ৩:৪১:৬৭ দা চেন্দুনা গোল্ড ফংখিবগা লোয়ননা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ-কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা অজয়কুমার সরোজ অমসুং রাহুলনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী হেপ্তাথলোন ইভেন্টতা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা মমাঙ চহীগী এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবী স্বপনা বর্মননা পোইন্ট ৫৯০১ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা এসিয়ন এথলেটিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। ইনিদয়াগী নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা নম্বর ৱান ওইরিবী দুটি চান্দ ফেদরেসন কপ অদুদা সেকেন্দ ১১.৪৫ তা চেন্দুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রবসু এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। মহাকতা নত্তনা মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান ওইরিবী হিমা দাসসু মকোক ওইখ্রবসু এসিয়ন এথলেটিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

# চংলিবা কুমজা অসিগী ৱর্ল্ড হোকি সেরিজগী ইভেন্ট লৈররোই



লোজেন, মার্চ ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না ঙসি স্বিজরলেন্দগী লোজেনদা লৈবা হেদক্বার্টরদা ফমখিবা এগজিক্যুটিব বোর্দকী মীফম অমদা ৱারেপ লৌদুনা চংলিবা চহী অসিগী মতুংদা হান্না লৈরম্বা ৱর্ল্ড হোকি সেরিজগী টুর্নামেন্ট অসি লৈররোই হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অসি তোঙান তোঙানবা কনফিদরেসনশিংগীদমক য়েংদুনা কন্টিনেন্ট অমদগী লাকপা ক্বালিফায়র টিমশিং অদুদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা অমদি কন্টিনেন্ট অমদা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্সিপতা অহেনবা প্রেসর থম্নবগীদমক ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়রি।

ফেদরেসন অসিনা শিল্লকপা প্রোফেসনল লীগকী অহানবা এদিসন মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙল্লি। লীগ অসি মখা তানা চথখিগনি। অদুবু মমাঙদা ৱর্ল্ড কপ অমসুং ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অমা ওইরিবা ৱর্ল্ড হোকি সেরিজ অদু মখা তানা থগ্লোইদৌরিবনি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন অসিনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা ফমখিবা এগজিক্যুটিব বোর্দকী অহানবা মীফমদা ৱারেপশিং অসি লৌখিবনি। মীফম অদু ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়া মচা নরিন্দর বত্রাগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখি। ৱর্ল্ড হোকি সেরিজ অসি হন্দক চহী ফাওবদি চংনখিগনি। মদুগী মতুং নেসনল হোকি ফেদরেসনশিং কন্টিনেন্ট অমগী ওইবা চেম্পিয়ন্সিপতা অমদি ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টশিংদা হেন্না পূক্নিং চঙশিন্দুনা শান্নবা ঙম্নগনি হায়খি।

ফেদরেসন অসিগী এগজিক্যুটিব বোর্দনা ফমখিবা মীফম অদুগী মতুংইন্না ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং সিষ্টেম অসি শেমদোক্তুনা কন্টিনেন্টশিংগী ওইবা পর্ফোমেন্স হেনগৎনবগী খোঙথাংশিংসু য়াওরি। ৱর্ল্ড হোকি সেরিজ অসি মমাঙগী চহীদা হৌদোকখিবনি। মসিনা ফেদরেসন অসিগী প্রো লীগতা শরুক য়াদবা লৈবাকশিংনা য়াওবা য়াহনখি।

সেরিজ অসি রাউন্দ অনী লৈবা টুর্নামেন্ট অমা ওইখি। ওপন অমসুং ফাইনেলস হায়না টিমশিংনা শরুক য়াখিবনি। মালেমগী মকোক থোংবা টিম ৯ ওপন রাউন্দ অসি য়াওদনা ফাইনেলসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমহনখি। ওপন রাউন্দদগী টিম ১৫ খনগৎলগা মকোক থোংবা টিম ৯ গা পুনশিল্লগা ফাইনেলসতা টিম ২৪ গী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

ফেদরেসন অসিগী মতুংইন্না চহী ৪/৪ লৈরগা এথলেটশিংগী ওইবা কান্নবা পীগদবা অমসুং কম্মর্সিএলগী ওইবা ইন্টরনেসনল থাক্তা হেন্না অফবা পুরক্নবা বোর্দকী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌনখি।

# সী আর পি এফকী ৮০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা গেমশিং পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ

সী আর পি এফকী ৮০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সী আর পি এফ লাংজিংগী গ্রুপ সেন্টরদা তোঙান তোঙানবা গেমশিং পাঙথোকখ্রে।

মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী দি আই জি মুহিন্দরকুমার, ইম্ফাল গ্রুপ সেন্টরগী দি আই জি আই লোকেন্দ্র, রিটয়ার্দ বৃগেদিয়র এস কে শর্ম্মা দি আই জি রেঞ্জ ইম্ফাল, সী আর পি এফকী দি আই জি ঐচ কে কনোজিয়া, ডা. ঐচ সী লিঙ্গরাজ দি আই জি মেদিকেল অমদি সী আর পি এফকী তোঙান তোঙানবা ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফ্রেন্দলি বাস্কেটবোল অমা সী আর পি এফ টিমগা এম বি এগী টিম এগা সী আর পি এফকী বাস্কেটবোল গ্রাউন্দ লাংজিংদা শান্নখি অমদি ক্রিকেট মেচ ওইনা কেন্দ্র বিদ্যালয়া নম্বর ২গী টিচিং ষ্টাফ অমদি সী আর পি এফ টিমগা শান্নখি। অদুগা সী আর পি এফ পার্সনেলশিং অমদি ওফিসরশিংগা টর্গ ওফ ৱারগী গেমশিং শান্নখি।

অনীশুবা খুরাইজম নুপীমচা মেমোরিএল মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এম পি এস সী, এ আর সী অমদি এন ৱাই ভি এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ


তেরা অচৌবা জিম এসোসিএসন (টাগা) য়ূম্নাম হুইদ্রোম, থিয়াম লৈশাংখোংনা শীন্দুনা তেরা মখোং লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা খুরাইজম ওংবী নুপীমচা দেবী মেমোরিএল মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এম পি এস সী মণিপুর পুলিস, এ আর সী অসাম রেজিমেন্টেল সেন্টর অমদি এন ৱাই ভি এ নাওরেম মায় পাকখ্রে।



টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা খুরাইজম ওংবী নুপীমচা দেবী মেমোরিএল মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী মণিপুর পুলিস অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট লোইবা ফাওবদা আই জি ওনা এম পি এস সীবু লাকচনা শান্নরক্লবসু মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা আই জি ওবু সেট ৩-১ (২২-২৫, ২৫-১৭, ২৫-১৭, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ আর সী অসাম রেজিমেন্টেল সেন্টর অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং লম্বা তৌনখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা টিম অনীগী মায়কৈদগী শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এ আর সীনা ৱাই এম দি ওবু সেট ৩-১ (২৫-১৭, ২৩-২৫, ২৫-২১, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং আই জি ও ওইনাম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেট লোইবা ফাওবদা আই জি ও ওইনামনা এন ৱাই ভি এবু লাকচনা শান্নখি। অদুবু অনীশুবা সেটতগী অরোইবা সেট ফাওবদা এন ৱাই ভি এনা আই জি ওবু সেট ৩-১ (২০-২৫, ২৫-২২, ২৫-২২, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীখি।




HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com